# রশিয়ানা সিরিয়াদগী খুৎলাই লৌথোকপা হৌখ্রে টেররিষ্টশিংদা এটেক তৌবদি লেপ্পোই হায়খ্রে

মোস্কো, মার্চ ১৫ (এজেন্সী) ঃ
সিরিয়াদগী মিলিটরি খুৎলাইশিং লৌথোকপা হৌরবসু মিলিটরিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা টেররিষ্টশিংদা মখা তানা টার্গেট তৌখিগনি হায়না রশিয়ানা হায়খ্রে।

রশিয়ান ষ্টেট টেলিভিজন্না রশিয়ন বোম্মর প্লেনশিংনা সিরিয়াগী হমেমিন এয়র বেজ থাদোকপগী শক্তমশিং উৎখি অমসুং বোম্মরশিং অদু রশিয়া পাংলিবনি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

রশিয়ন মিলিটরিনা সিরিয়াদগী ৱিদ্রো তৌবগী খোঙথাং অদু প্রসিদেন্ট ৱ্লদিমির পুতিননা মহাক্কী ট্রুপশিংবু লান্না ফীভম শোকহল্লবা লৈবাক অদুদগী হন্দোক্লবা ওর্দর তৌখিবা মতুং পুং খরগী মনুংদা লৌখৎলকপনি হায়রি।

প্রসিদেন্ট পুতিননা সিরিয়ান রেজিমগী মকোক ওইরিবা প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদকা টেলিফোন্দা ৱারী শানবদা রশিয়ন ফোর্সশিংনা লৈবাক অদুদগী ৱিদ্রো তৌবা হৌবগী ৱাফম য়ানখিনি হায়রি।

ক্রেমলিদা মহাক্কী মিনিষ্টরশিংগা ৱারী শানখিবদা প্রসিদেন্ট পুতিননা সিরিয়াদা রশিয়ন মিলিটরিগী পান্দম ফংবা ঙল্লে অমসুং মখোয়না লৈবাক অদুদা পিছ প্রোসেস হৌনবগী ফীভমশিং শেমখ্রে হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।



তৌইগুম্বসুং রশিয়াগী অপ্পর হাউস ওফ পার্লিয়ামেন্টকী দিফেন্স কম্মিটিগী মকোক ওইরিবা ভীক্টর ওজেরোবনা হায়খ্রে মদুদি, সিরিয়াগী বেজ অনীদা রশিয়ন মিলিটরি পার্সনেল ১০০০ রোম মখা তানা লৈখিগনি।

পনবা য়াবদি, রশিয়ানা সিরিয়াদা মখোয়গী ট্রুপ কয়াম্না লৈবগে হায়বসি মমাঙদা অমুক্তা ফোঙদোকখিদ্রি। তৌইগুম্বসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পীবা এষ্টিমেটশিংগী মতুং ইন্না, রশিয়ন ট্রুপ ৩,০০০দগী ৬,০০০ ফাওবা সিরিয়াগী মফম কয়াদা জেট অমসুং হেলিকোপ্টর ৫০দগী হেনবগা লোয়নননা লৈ।

আর আই এ ন্যুজ এজেন্সীনসু রশিয়ন দেপ্যুটি দিফেন্স মিনিষ্টরগী ৱারোল পল্লদুনা রশিয়ানা সিরিয়াদা টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা মখা তানা এরয় ষ্ট্রাইকশিং চথুখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

নিকোলাই পানকোভনা হায়খি, "মথৌদাং অমা ওইনা টেররিষ্টশিংগী ফেসিলিটিশিংদা মখা তানা এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথুখিবা তারি।"

ক্রেমলিনগী চীফ ওফ ষ্টাফ সার্গে ইভানোভনসু সিরিয়াদা সিক্যুরিটিগী ফীভম নীংথিনা লৈহন্নবা মোস্কোনা লৈবাক অদুদা মখা তানা এদভান্স দিফেন্স সিষ্টেমশিং থমখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা দামাস্কসনা ফোঙদোকখিবা অমদসু টেররিজম থেংনবদা মোস্কোনা মখা তানা লৈবাক অদুবু সপ্পোর্ট তৌখিগনি হায়না থাজবা পীরক্লে হায়খিবনি।

হৌখিবা থা ৫ অসিদা রশিয়ন ৱার প্লেনশিংনা সিরিয়াগী ওপোজিসন ফোর্সশিংগী মায়োক্তা চথুখিবা এয়র ষ্ট্রাইকশিংনা মীশি-মীনা ময়াম থোকহল্লিবা সিবিল ৱার অদুগী মায়ওনদা অহোংবা লাকহনখিবগা লোয়ননা হন্দক্তা চৎনবা হৌখিবা সিজফায়রগী মাঙওইননা অশাদকী ফোর্সশিংবু ফীভম চানা লৈহনখি।

রশিয়ন মিলিটরিনা সিরিয়াদগী হন্দোকপা হৌখিবসি পোলিটিকেলগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়না রশিয়াগী পাউচে ইজভেষ্টিয়ানা হায়খি অমসুং খোঙথাং অদুনা মুক্লবগী ফীভম অদুবু ঈং-চিক্লা লোইশিনবা য়ানবগী লম্বীদা পুশিল্লবনি হায়না ফোঙদোকখি।

য়ু এনগী অখন্নবা সিরিয়াগী পাউখোল্লোয় ষ্টাফান দে মিষ্টুরানা রশিয়াগী খোঙথাং অদুবু শীংথানিঙাই ওইবা দিভলপমেন্ট অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

"খোঙথাং অসিনা সিরিয়াগী লালগী মতাংদা পোলিটিকেল সোল্যুসন অমা পুথোক্লবগী পান্দমদা চথুবা নিগোসিয়েসনদা পোজিটিব ইম্পেক্ট অমা পীরগনি" হায়না মিষ্টুরানা হায়খি।

## অঙ্কারাগী বোম এটেক্তা নুপী সুইসাইদ এটেক্কর চেন্নরম্লে



অঙ্কারা, মার্চ ১৫ (এজেন্সী) ঃ
অঙ্কারাদা চথুখিবা সুইসাইদ এটেক অমগা মরী লৈননা মীওই ১১ ফাগৎখ্রে অমসুং এটেক অদু সুইসাইদ বোম্মর নুপী অমা অমসুং নুপা অমা পুন্না মীওই অনীনা পাঙথোকখিবনি হায়না টর্কিশ ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

এটেক অদুদা শরুক য়াখি হায়রিবা নুপী অদু কুমজা ২০১৩দা পি কে কে (কর্দিষ্টান ৱার্করস পার্টি) দা য়াওখিবনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

নুপী অদু কুমজা ১৯৯২দা পোকখিবনি অমসুং ইষ্টর্ন টর্কিশ সিটি কার্সতগীনি লোয়ননা নুপা অদুসু পি কে কেগা মরী লৈনবা টর্ক অমনি হায়না ওফিসলশিংদুনা হায়খি।

শাথিরবা সুইসাইদ বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা টর্কিশ কেপিটেল অঙ্কারাগী ময়াই চবুক্তা লৈবা মরু ওইবা সোপিং অমসুং ট্রান্সপোর্ট হব অমা ওইরিবা কিজিলেদা থোকখিবনি। এটেক অদুদা য়ামদ্রবা মীওই ৩৭ শিখি অমসুং মীওই ১২৫ রোম শোকখি।

সুইসাইদ এটেক অদু থা তরুক্কী মনুংদা অঙ্কারাদা চথুরকখিবা অহুমশুবা টেরর এটেকনি। স্কাই ন্যুজগী জোনাথান সাম্যুঅলসনা অঙ্কারাদা হায়খি, "সুইসাইদ বোম্মর অনী চেন্নে হায়না ঐখোয়না তারে।"

"সুইসাইদ এটেক্করশিং অদু বি এম দব্লিয়ু কার অমদা তোংলকখি। কার অদুদা এক্সপ্লোসিভশিং য়াওবগা লোয়ননা মী কা হেন্না শিহন্নবা অমসুং শোকহন্নবগীদমক্তা য়োৎপী অমসুং য়োৎকী বোল মচা ময়ামসু শীজিন্নখি।"

চেসিসকী নম্বর শীজিন্নদুনা কোইথি থীবদা বি এম দব্লিয়ু অদু ইষ্টর্ন টর্কিগী টাউন অমদা লৈরম্বা থেংনখি অমসুং মদুনা মরম ওইদুনা মখোয়না মীওই অনী অদু মশক খঙবা ঙমখিবনি হায়রি।

টর্কিশ আর্মিনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না, হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইরাক্কী চীংগী লমশিং ওইবা কান্দিল অমসুং গারাগী মফমশিংদা লৈবা পি কে কেগী সেল্টরশিং অমসুং খুৎশু-খুৎলাইগী দিপোশিংদা ফাইটর জেটশিংনা এটেক তৌখি।

টর্কিগী প্রসিদেন্ট রেসেফ টায়িপ ইর্দোগননা শাথিরবা এটেক অদুদা রিয়েক্ট তৌরদুনা টেররিষ্ট মপুং ফানা লাকশিনগনি হায়না চেৎনা ফোঙদোকখি।

নীংখা তম্বা হোমলেন্দ অমসুং কর্দশিংগী অহেনবা হকশিংগীদমক্তা টর্কিশ গভর্ণমেন্টগা কন্না মুক্লরিবা কর্দিশ মিলিটেন্টশিংনা নোর্দন ইরাক্তা লৈবা বেজশিং শীজিন্নদুনা এটেকশিং পাঙথোক্লবা হোৎনৈ হায়রি।

ইষ্টানবুলদা কর্দিশ মিলিটেন্টশিংনি চিংনবা মীওই ১৫ পুলিসনা দিটেন তৌখি অমসুং লৈবাক অদুগী অতৈ মফমশিংদনা মীওই ৫০ দিটেন তৌখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, কর্দিশশিংনা নম্না তাবা টর্কিগী সাউথ ইষ্টর্ন টাউন সির্নাকতা ওথোরিটিশিংনা অহিংগী মতমদা কর্ফিয়ু থমখ্রে অমসুং নুসাইবিন অমসুং য়োকসেকোভা টাউনশিংদা আর্মিগী ওপরেসনশিং পাঙথোক্লবা শেম শাখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎকী এটেক অদু হৌজিক ফাওবদা গ্রুপ অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি তৌইগুম্বসুং হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা অঙ্কারাদা লৈবা মিলিটরি হেদক্বার্টর অমগী মনাক্তা থোকখিবা মীওই ২৮ শিখিবা কার বোম এটেক অমদি তুংদা কর্দিষ্টান ফ্রীদম হোক (টাক)না ক্লেম তৌখিবনি। গ্রুপ অসি পি কে কেদগী তোকখায়না তাকখিবনি হায়রি।

## বর্লিনগী ব্লাষ্টতা কার তোংবা ১ শিরে



বর্লিন, মার্চ ১৫ (এজেন্সী) ঃ
সেন্ট্রেল বর্লিনদা থোকখিবা পোকখায়বগী থৌদোক অমদা কার তোংবা নুপা অমা শিখ্রে। মী চিনবা মতমদা থোকখিবা ব্লাষ্ট অদু বোম অমনা থোকহনবা ওইবা য়াই অমসুং থৌদোক অদুদা কার থৌরকখিবা নুপা অদু শিখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি হায়রি।

"পোকখায়বদু বর্লিন সিটিগী ৱেষ্টর্ন দিষ্ট্রিক্ট চার্লোটেনবর্গতা অয়ুক্কী পুং ৮ লোম তাবা মতমদা থোকখিবনি। পোকখায়খিবদু গাড়ী মনুংদা নৎত্রগা গাড়ী অদুদা থোকখিবনি" হায়না বর্লিন পুলিসকী দেপ্যুটি চীফ স্পোক্সমেন কার্ষ্টেন ম্যুলরনা হায়খি।

"ঐখোয়না হৌজিক চথুরিবা ইনভেষ্টিগেসন অসিদা এক্সপ্লোসিব দিভাইস অমনা পোকখায়বদু থোকহনখিবনি হায়না থাজনরি" হায়না কার্ষ্টেন ম্যুলরনা মখা তাখি।

পুলিসনা ত্বিটরদা লম্বীদা তাদুনা লৈবা অকায়-অতোয় নংলবা সিলভর মচুগী বি দব্লিয়ু পাসাটকী ইমেজ অমা থাগৎলকখি হায়রি।

কারগী থোঙনাওশিং পোকখায়বগী শাফুনা হুমদোকখ্রে অমসুং মমাঙগী অরোইবা শরুক্তু মনুংদা মশুপ-মশুপ শুপচিল্লগা লৈখ্রে হায়রি।

এক্সপার্টশিংনা কার মনুংদা অহেনবা এক্সপ্লোসিবশিংগীদমক চেক তৌরবা মতুংদা পুলিসনা মফম অদু মী চঙহন্দনা থমখি। অকোয়বদা লৈরিবা মীশিংদা থোঙনাও লোনশিল্লগা মথক্তা লৈতনবা খঙহনখি হায়রি।

দিটেক্টিবশিংনা শিরিবা মীওই অদুগী মশক খঙননবা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথুরি হায়রি। টেররিজম অমসুং মী হাৎনবা হোৎনবা ওইরম্লোই হায়নিঙাই লৈতে অমসুং মী হাৎপগী থীজিনবগী থবক তৌবা টিম অমা মফম অদুদা লৈরি হায়না পুলিসকী স্পোক্সমেননা মখা তারি।

## মাদর টেরিজা রোমন কেথলিক সেন্ট ওইরগনি

ভেটিকন, মার্চ ১৫ ঃ
মপূন্সি চুপ্পা লায়রবশিং অমসুং কন্না লৈজদ্রবশিংবু মতেং পাংনবা হোৎনখিবী অমসুং অসুম্না হোৎনবদা মথ্বাই লোমখিবী মাদর টেরিজাবু রোমন কেথলিক চর্চকী সেন্ট অমা ওইহল্লগনি হায়না মালেমগী কেথলিক চর্চশিংগী মকোক ওইরিবা পোপ ফ্রান্সিসনা লাউথোকখ্রে।



মাদর টেরিজাদা কেথলিক সেন্টহুদ পীবগী ৱাফম অসি পোপ ফ্রান্সিসনা কর্দিনেলশিংগী মীফম অমদা লাউথোকখিবনি। লাক্লিবা সেপ্টেম্বর থাদা রোমদা পাঙথোক্লবা য়ারিবা কেনানীজেসনগী থৌরম অদুগী চপ চাবা মফমগী মতাংদা ভেটিকনদগী খুদক্কী ওইনা করিমত্তা ফোঙদোরকখিদে হায়রি।

খুদোংচাগদবা অফবা নুমিৎ অমদা মাদর টেরিজাবু লৈরোল চনখিবা ইন্দিয়াগী সিটি কোলকাতাদা থাগৎপা ফোঙদোকপগী থৌরম অমসু পাঙথোক্কনি হায়রি।

কুমজা ১৯৯৭তা লৈখিদবা মতমদা মশাগী চহী ৮৭ শুখিবী এলবেনিয়ন নন অসি মালেমগী কেথলিক কয়ানা ঈকায় খুম্নখি অমসুং লায়রবশিং-গীদমক্তা মহাক্না তৌখিবশিংগীদমক্তা কুমজা ১৯৭৯দা মহাকপু নোবেল পিছ প্রাইজ পীদুনা ঈকায় খুম্নখি। তৌইগুম্বসুং মাদর টেরিজা অসি মীওই সেক্সন কয়ানা খেন্নবা মোতশিং পীনবা মশক নাইবা মীশক ওইখি।

মহাক্না য়েংশিল্লি হায়রিবা মীওই কাঙলূপশিংগী অনিংবা অমসুং অপাম্বগী ওন্ন-তৈনবদা বর্থ কন্ট্রোল অমসুং এবোর্সনগী মায়োক্তা অচেৎপা ফিরেপ অমা লৌখিবগীদমক্তা ক্রিটিকশিংনা মহাকপু লাইনিং-লাইশোনগী লমদা মহাক্কী অনিংবা অপাম্ববু নমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনবা ইমপেরিয়েলিষ্ট অমনি হায়না ফোঙদোক্লখিবনি।

কুমজা ২০০৩দা পোপ জোন পোল অনীশুবনা মহাক হিংলিঙৈ মতমদা শেংলবা পূন্সি মরেল চৎলমখি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা মাদর টেরিজানা সেন্টহুদকী লম্বীদা অহানবা খোঙকাপ থাংজিনখিবনি।

মাদর টেরিজানা লৈখিদ্রবা মতুং কুমজা ১৯৯৮-দা অরুবা ফীভমদা নারবা বাঙ্গালি ট্রাইবেল নুপী অমা মশা ফগৎলকখিববু মহাক্কী মপান্ননি হায়না খঙবীবগা লোয়ননা মতমদুগী পোপ জোন পোল অনীশুবনা মহাকপু কুমজা ২০০৩দা বিএটিফাই তৌখিবনি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR : IMPHAL

ADVERTISEMENT NO. 2
Dated, the 15th March, 2016

No. MU/5-124/2013/FCY: Applications on prescribed form are invited from Indian Nationals for filling up the following posts with the University Grants Commission's pay scale:

| Sl. No. | Department | Name of the Post | | | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| | | Professor | Associate Professor | Assistant Professor | |
| 1. | Fine Arts | | 01 (UR) | 04 (1-SC, 1 OBC, 2-UR) | 05 |
| 2. | Law | | 01 (UR) | 04 (1-ST, 1 OBC, 2-UR) | 05 |
| 3. | Teacher Education | 02 (UR) | 03 (1-UR, 1-SC, 1-ST) | 02 (1-UR, 1-SC) | 07 |
| | Total | 2 | 5 | 10 | 17 |

Application form and details of essential qualifications, experience, specialization, API/PBAS proforma etc. can be downloaded from the University website www.manipuruniv.ac.in (under academic/IQAC) or can be obtained from the University Cash Counter on payment of Rs. 100/- in cash.

The duly filled in application form and API/PBAS proforma alongwith self-attested copies of certificates of educational qualifications, date of birth, experience, caste/tribe etc. and a fee of Rs. 500/- (Rs. 250/- for SC/ST/PWD) in the form of Bank Draft of SBI drawn in favour of the Registrar, Manipur University, Canchipur, payable at SBI, MU, Canchipur (Code No. 5320) or cash receipt of the University should be submitted in an envelope superscribed with the name of post applied for with Advt. No. and date to the Registrar, Manipur University, Canchipur, Imphal – 795003 on or before **12-04-2016**. Those in service should apply through proper channel.

Downloaded application forms should accompany a Demand Draft of Rs. 600/- (Rs. 350/- for SC/ST/PWD) at the time of submission.

Sd/- Dr. R.K. Joteen Singh
Deputy Registrar

HL-B/3014/16

Phicomm Mobiles which was available only at ONLINE STORES, now available at the market.

PHICOMM
(( YOUR PORTAL TO SMART LIFE ))

Launching
Phicomm Clue 630



4G Roaming Support
Speed up with the latest 4G LTE
Support Dual Micro SIM.
Support Mobile Data Service While Calling On The Phone.

4G

Only at Rs. 5699/-

* Android 5.1(LOLLIPOP)
* Ultra Compact, Ultra slim
* 5" FWVGA Display
* Qualcomm Quad-Core, Snapdragon Processor
* 5MP FF + 2MP
* 1GB DDR3 RAM+8GB ROM (Expandable to 64GB)

2300mAh

HL-B/3010/13/03-12/04

# EMPLOYMENT NEWS

## BIHAR STATE COOPERATIVE BANK RECRUITMENT 2016 – APPLY ONLINE FOR 441 ASSISTANT POSTS

**Bihar State Cooperative Bank Recruitment 2016 – Apply Online for 441 Assistant Posts:** Bihar State Cooperative Bank Ltd has published notification for the recruitment of Assistant (Multipurpose) vacancies on direct recruitment basis of Bihar State Cooperative Bank Ltd and District Central Cooperative Banks of resolution passes in their Board meetings as per the Registrar's order. Eligible candidates may apply online from 11-03-2016 to 28-03-2016. Other information like age limit, educational qualification, selection process, application fee & how to apply are given below…

**Bihar State Cooperative Bank Vacancy Details:**
**Total No. of Posts: 441**
**Name of the Post: Assistant (Multipurpose)**

1. Bihar State Cooperative Bank Ltd: 34 Posts
   a. General: 11 Posts
   b. SC: 04 Posts
   c. ST: 01 Post
   d. MBC: 10 Posts
   e. BC: 06 Posts
   f. WBC: 02 Posts
2. 20 District Central Cooperative Banks: 407 Posts
   a. General: 207 Posts
   b. SC: 69 Posts
   c. ST: 04 Posts
   d. MBC: 67 Posts
   e. BC: 46 Posts
   f. WBC: 14 Posts

**Age Limit:** Candidates age limit should be between 21 to 33 years (Born not earlier than 02-01-1983 and not later than 01-01-1995) as on 01-01-2016. Relaxation of age will be applicable up to 05 years for SC/ ST/ MBC/ WBC/ BC and permanent staff working in Cooperative Banks register in Bihar State.

**Educational Qualification:** Candidates should possess Graduation Degree in any subject or equivalent from a recognised University with computer knowledge.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on online examination, written test & interview.

**Application Fee:** Candidates should pay Rs. 400/- for SC/ ST candidates and Rs. 600/- for others through online mode by using only Debit Cards (Rupay/ Visa/ Master Card/ Maestro), Credit Cards, Internet Banking, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets.

**How to Apply:** Eligible candidates may apply online through the website www.biharbank.bih.nic.in from 11-03-2016 to 28-03-2016.

**Instructions to Apply Online:**
1. Candidates should scan their photograph & signature.
2. Candidates have valid e mail id and mobile no.
3. Log on the website www.biharbank.bih.nic.in.
4. Click on Recruitment & Select the desired post
5. Click on "Click here to Apply Online".
6. Fill all the details & submit the form.
7. Now take print out of online application for future use.

**Important Dates:**
Starting Date to Apply Online & Payment of Fees Online 11-03-2016
Last Date to Apply Online & Payment of Fees Online 28-03-2016
Closing Date fir Editing Application Details 28-03-2016
Last Date for Printing Your Application 12-04-2016
Tentative Date for Online Examination April/ May 2016

## INDIAN COAST GUARD RECRUITMENT 2016 – APPLY ONLINE FOR ASST COMMANDANT POSTS

**Indian Coast Guard Recruitment 2016 – Apply Online for Asst Commandant Posts:** Indian Coast Guard has published notification for the special recruitment of Asst Commandant 02/2016 Batch vacancies for General Duty/ General Duty Pilot/ Short Service Pilot (CPL) for SRD candidates. Eligible candidates may apply online from 11-03-2016 to 22-03-201 6 by 17:00 hrs. Other details like educational qualification, selection process & how to apply are given below…

**Indian Coast Guard Vacancy Details:**
**Name of the Post:** Asst Commandant 02/2016 Batch
1. General Duty
2. General Duty Pilot
3. Short Service Pilot (CPL)

**Age Limit:** Candidates should be born between 01-07-1988 to 30-06-1995 for OBC & 01-07-1986 to 30-06-1995 for SC/ ST candidates for Sl No. 01, 01-07-1988 to 30-06-1997 for OBC & 01-07-1986 to 30-06-1997 for SC/ ST candidates for Sl No. 02 & 03.

**Educational Qualification:** Candidates should possess Bachelor's Degree of recognised university with minimum 60% marks (ie.1 st Semester to 8th Semester for BE/ B.Tech or 1st year to last year for Bachelor Degree Candidates wherever applicable) for Sl No. 01 & 02 and 12th class pass with 60% marks in aggregate and should possess current/ valid Commercial Pilot License (CPL) approved by DGCA on the date of Preliminary Selection for Sl No. 03.

**Selection Process:** Candidates will be selected based on the Mental Ability Test/ Cognitive Aptitude Test and Picture Perception & Discussion Test (PP&DT), Pilot Aptitude Battery Test & interview.

**How to Apply:** Eligible candidates may apply online through the website www.joinindiancoastguard.gov.in from 11-03-2016 to 22-03-2016 by 17:00 hrs.

**Instructions to Apply Online:**
1. Log on through the website www.joinindiancoastguard.gov.in
2. Click on Opportunity.
3. Read all the instructions
4. Select the Special Recruitment Drive for OBC/ SC/ ST as Assistant Commandant-02/2016 Batch
5. Fill all the details & submit the form.
6. Take a printout copy of online application for future use.

**Important Dates:**
**Starting Date for Apply Online:** 11-03-2016
**Last Date for Apply Online:** 22-03-2016 by 17:00 hrs.